**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 25-11-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৫-১১-২০২৪, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিংনবা মফমশিংদা থি হুন্নবগী থবক চথুবদা কাংপোকপী জিলাদগী খূৎলায় কয়ামরুম ফারে।

২) তম্পাক্কী জিলা মঙাদা ঙসি নুমিৎ য়ুংবা ফাওবা কার্ফিউ কোমথোক্লি। স্কুল কোলেজশিং হয়েং ফাওবা ছুতি থাদোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) সংসদকী নিংথম মীফম ঙসিদগী হৌরগনি। মীফম মথং থাগী ২০ ফাওবা চথুগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিংনবা মফমশিংদা থি হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-কাংপোকপী জিলাগী লূংখোংজাং চিংমাইদগী থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, এস.বি.বি.এল নোংমৈ অমা, নাইন এম.এম পিস্টোল অনি, শান্না কাপ্পা য়াবা মোর পম্পী অমা, শান্না কাপ্পা য়াবা মোর বোম্ব পম্পী অমা, এন্তি-রাইওট গ্রেনেদ অমা তিয়র স্মোক সেল অমা অমসুং নোংমৈ মরু য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফংলে।

জিরিবাম জিলাগী মোংবুং কুকিগী পরিংদা শরম্বা বঙ্কর অহুম থুগাইখ্রে অমসুং গ্রেনেদ অমা ফংলে। হৌখিবা থাংজ নুমিত্ত মণিপুর পুলিসনা য়ু.এন.এল.এফ(পাম্বৈ গ্রুপকী) হকচিনবা মীওই অনি ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই অহোংগৈ লৌবুক লৈরক্তগী ফাগৎখি। মখোয় মীয়ামদগী শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়রি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা নাইন.এম.এম পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ১৭, ৱায়রলেস রেদিও সেট অমা মোবাইল ফোন অমা ফংলে।

মরক অসিদা, নেসনেল হায়ৱে-২ দা অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোইননা তঙাইফদনা চংবা পোৎচৈ পুবা গারি ৩৪৯ পুশিল্লকখ্রে।

**এআর (এল)ঃ** জিরিবামদা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিলহন্নবা পান্দমদা অসাম রাইফলসনা সি.আর.পি.এফ, মণিপুর পুলিস অমসুং আই.আর.বিগা লোয়ননা ঙরাং থি হুম্বগী থবক চথখ্রে। সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অদুনা মোংবুং কুকি, মোংবুং মৈতৈ, জাইরাৱান, বালিজ়রি অমসুং কাসিম্পুরগী মফম কয়াদা অয়ুক পুং ৬ তগী থি হুম্বগী থবক চথখি। জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনগী মফমশিং অমসুং জাকুরাধোরগী মফম কয়াদসু থি হুম্বগী থবক চথখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা জিরিবাম জিলাদা ফাওনবা য়াবা লন্বীশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা মীকুপ নাহুমশিংনা য়েংশিল্লি হায়রি।

অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা তেংনৌপল অমসুং ককচিং জিলাদা লেমা লায়েংবগী কেম্পশিং পাঙথোকখি। মদুদা হীদাক লাংথকশিং খুৎশিন্নখি। অসাম রাইফলসনা ৭৬ শুবা এন.সি.সি নুমিৎ তুইনোম খুলদা লৈবা নভোদায়া বিদ্যালয়াদা পাঙথোকখ্রে।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট , থৌবাল, বিষ্ণপুর অমসুং ককচিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা মরি লৈনবা জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

**স্কুল (এল) ঃ** মনিপুরদা লৈরিবা মহৈ লোইশঙশিং মখা তানা নুমিৎ নিনি ছুতি থাদোকখ্রে। রাজ্যগী ইদ্যুকেসন(এস)কী দিরেক্তর এল.নন্দকুমার সিংহনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-তম্পাক্কী জিলাশিংদা লৈবা সরকারগী গভর্ণমেন্ট এদেদ, প্রাইভেট অমসুং সেন্ট্রেল স্কুলশিং হয়েং ফাওবা ছুতি ওইগনি।

অমরোমদা, হায়র এন্দ টেকিকেল ইদ্যুকেসনগী জোইন্ট সেক্রেতরি দারিয়াল জ্লি অনালনা থোকপা চেরোল অমদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা সরকারগী মহৈলোইশঙশিং, গভর্ণমেন্ট এদেদ কোলেজ অমদি ষ্টেট য়ুনিভর্সিতিসু হয়েং ফাওবা ছুতি থাদোকখ্রে।

**ডে (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি নুপী অমসুং নুপীমচাশিংগী মথক্তা চথবা হিংশা মুত্থৎনবা নুমিৎ পাঙথোক্লি। ঙসিদগী হৌরগা মথং থাগী ১০ ইন্টর্নেসনেল হুইমেন রাইটস ডে নুমিৎ ফাওবা থাখায় পালন পাঙথোক্লি। ৱিমেন এক্সন ফোর দেভলপমেন্টনসু থাখায় পালন অসি তোঙান তোঙানবা কাংলূপশিংগা শরুক য়ামিন্নদুনা নুপী অমসুং নুপীমচাশিংগী মায়োক্তা চথবা মীওৎ মীনৈ কয়াদগী কন্নবা অমসুং ঙাকথোকবা থৌরম কয়া পাঙথোক্কুনা লাক্লি।

**মীফমঃ** সংসদকী নিংথম মীফম ঙসিদগী হৌরগনি। মীফম অসি মথং থাগী ২০ ফাওবা চত্থগনি। অদুম ওইনমক হয়েং সংভিধানগী নুমিৎ লৈবা মরমা সংসদকী মীফম লৈরোই।

সংসদকী নিংথম মাংওইননা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা সভাপতি ওইদুনা রাজনিতি দল পুমমক্কী মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখি। মীফম লোইরবা তুংদা, পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা পার্লিয়ামেন্তরি এফিয়রস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়-সংসদকী মীফম মনুংদা সরকারনা হীরম খুদিংমক খন্ননবা থৌরাং তৌদুনা লৈ। মীফম শান্তি ওইনা পাঙথোকবা হোৎনবদা সদ্যসা শিংগী মতেং য়ামমক তঙাই ফদে। কিরেন রিজিজ্না হায়-মীফম অদুদা রাজনিতি দল ৩০গী লূচিংবা ৪২ শরুক য়াখি।

অমরোমদা, লোক সভা অধ্যক্ষা ওম.বিরলানা সভাগী দেকোরম ঙাকা চৎপীনবা সদ্যসা শিংদা আপিল তৌরিক্লি। অকাশবানিগা অখন্ননা উনবা অমদা, শ্রী বিরলানা হায়-মীফম মনুংদা সদ্যসাশিংনা মপুং ফাবা খন্ন-নৈনবগী তাঞ্জাশিং লৌগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি। সংবিধানগী নুমিৎ মাংওইননা কনাগুম্বা কাংলূপ খরনা ভারতকী সংবিধান অসিদা শিংনরক্লে হায়বা ৱাফম অদুবু মহাকা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মহাকা হায়-সংবিধান হায়বসি মীয়াম অমসুং লৈবাক অসিগীনি। মরম অদুনা, সমাজ অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকা সংবিধান অসিবু ইকাই খুমনা চৎকদবনি।

**ঝরখন্দ ঃ** ঝরখন্দদা, ঝরখন্দ মুক্তী মোর্চাগী লূচিংবা হেমন্ট সোরেননা সরকার শেমবা দাবী তৌখ্রে। রাজ্যপাল সন্তোস কুমার গেংৱারনা অনৌবা সরকার শেমবা হেমন্ট সোরেনদা বার্তণ তৌখ্রে। হেমন্ট সোরেননা হায়-অনৌবা সরকারগী ৱাশক লৌবগী থৌরম লাক্লিবা শগোলশেন নুমিত্তা পাঙথোক্লগনি। মহাকা হায়-মহাকপু শৌগৎপা জে.এম.এম, কোংগ্রেস, আর.জে.দি অমসুং সি.পি.আই(এম.এল)গী সদ্যসা ৫৬ না শৌগৎপগী চেরোল অমা রাজ্যপালদা পীশিনখি। মদুগী মমাংদা হেমন্ট সোরেননা ফম থাদোকপগী চেরোল রাজ্যপালদা পীশিনখি। হেমন্ট সোরেনবু ইন্দিয়া ব্লোক্কী লূচিংবা ওইনা খনখিবনি। সিট ৮১ লৈবা রাজ্য বিধান সভা মীখলদা ইন্দিয়া ব্লোকনা সিট ৫৬ ফংখিবনি।

মরক অসিদা, মহারাষ্ট্রদা সরকার শেমবা রাজনিতিগী থবক কনখৎলক্লি। সিব সেনা লূচিংবা একনাত সিন্ধে অমসুং এন.সি.পি লূচিংবা অজিট পৱরনা তোঙান তোঙানবা মীফম পাঙথোকখি। একনাত সিন্দেনা লূচিংবা সরকারগী মতম হয়েংনা লোইরে। বি.জে.পি লূচিংবা চন্দ্রসেখরনা হায়-মহারাষ্ট্রদা হন্দক্তী বিরোধি লূচিংবা লৈররোই। মহাকা হায়-চহী ৬০ গী মনুংদা অহানবা ওইনা মহারাষ্ট্র বিধান সভাদা বিরোধি লূচিংবা লৈররোই। থা অসিগী ২০দা ভোট থাদনখিবা সিট ২৮৮ লৈবা রাজ্য বিধান সভা মীখলদা মহায়ুতি চুংশিন্নবা কাংবুনা সিট ২৩৫ ফংখিবনি। বিরোধি মহাবিকাশ অঘাধিনা সিট ৪৯ খক্তা খংখিবনি।

**কেম্পেইনঃ** কেন্দ্র সরকারনা ঙসি নিউ দেল্লিদা জাতিগী কেম্পেইন ‘অপ কোই বাহানা নহী’ হৌদোক্লগনি। কেম্পেইন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি মীয়াম, সরকার অমসুং মরু ওইবা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা নুপী অঙাংদা চথবা হিংশা মুথৎনবা থবক লৌখৎপা হায়বসিনি। কেম্পেইন অসি কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দেভলপমেন্ট মন্ত্রালোয় অমসুং রুরেল দেভলপমেন্ট মন্ত্রালোয়না য়ুনাইতেদ নেসন ৱিমেনগী মতেংগা লোয়ননা পুন্না শিনবনি। কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা ‘অপ কোই বাহানা নহী’গী মতাংদা ফিল্ম অমা উৎকনি। চহী খুদিংগী নবেম্বর ২৫ অসিবু মালেম শিনবা থুংবদা নুপী অঙাংগী মায়োক্তা চথবা হিংশা মুথৎপা নুমিৎ পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা আই.সি.এ. গ্লোবেল কোওপরেটিব কনফরেন্স হোদোক্লগনি।

ইন্টরনেসনেল কোওপরেটিব এল্লাইয়েন্সকী চহি ১৩০ গী শাংলবা ইতিহাসতা অহানবা ওইনা গ্লোবেল কোওপরেটিব কনফরেন্স অমসুং জেনরেল এসেমব্লি ভারত্তা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ইন্টরনেসনেল ইয়ার ওফ কোওপরেটিভস ২০২৫ গী নিংশিং ষ্টাম পুথোক্কনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-ঙসিগী মীফম অদুদা ভুটানগী প্রধান মন্ত্রি-কাসো সেরিং তোবগে অমসুং ফিজিগী উপ প্রধান মন্ত্রি-মনোৱা কামি কামিকা শরুক য়াগনি। মালেমগী মীফম অসি ইন্দিয়ন ফার্মরস ফর্তিলাইজর কো-ওপরেতিভ লিমিতেদনা আই.সি.এ, ভারত সরকার, ইন্দিয়ন কোওপরেতিভস অমুল অমসুং ক্রিপকোগা খূৎশমরগা শিনবনি। ইন্টর্নেসনেল কো-ওপরেতিভ এলাইএন্স অসি ইং ১৮৯৫ তা লিংখৎখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা ঙসি ফোংঙিবা পাউচেশিংদা-ঙসিদগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফম চাফ মিনিষ্টরনা পোপী থাবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবা। অমসুং নাগা পীপলস ফ্রন্টনা ঙমখৈ শম্বল খাবা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগী পাউ-তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা পাউচেশিং অয়াম্বদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা-ওপোজিসননা মৈ চাক্লিবা মণিপুর অমসুং অদানি গ্রুপকী মায়োক্তা খন্ননবা তকশিনগদৌরি হায়বা পাউ-বেনর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনাৌলেবাক পাউচেদা-ওপোজিসননা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা মণিপুরগী ইস্যু পুথোকবা লেপখ্রে হায়বা পাউ-অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাডচে অসিদা ঈরাং অসিনা মীতোপ খনদোকপগী থবক মখা চত্থবা ঙমদ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা পোপী থাবশিংনা এতেক্ট তৌরকখিবা অদু অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি-মোর্নিং বেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস,ইচেল এক্সপ্রেস,পীপলস ক্রোনিকল, মণিপুর নিউজ অমসুং নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা লমাইদা ফোংলি।

নাগা পীপলস ফ্রন্টনা বোর্দর ফেন্সিংগী মায়োক্তা ফোঙদোকখিবা ৱাফম ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মণিপুর মেলদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হান্নগী আর্মি চীফনা মণিপুরদা গভর্ণরগী লৈঙাক লৈহনবগী মতম ওইরে হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরগী বেনর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং তমেংলোং তাইমস, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

জিরিবামদা হন্দক লৈখিদবা মীওই ৬ কী মনুংদা মীওই ৩ গী ওতোপ্সী রিপোর্ট ভাইরেল ওইরকখিবগী পাউ-পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

জিরিবামদা সি.আর.পি.এফনা হাৎখিবা কুকি লালহৌবশিংদগী ফাগৎখিবা খুৎলায় পুলিসতগী লূট তৌখিবনি হায়বা পাউ মণিপুর নিউজতা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা-মণিপুরগী তম্পাক্কী জিলাশিংদা লৈবা স্কুলশিং ঙসি অমসং হয়েংসু থোং লোল্লগনি হায়বা পাউ-অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং তাইমসতা-এম.এল.এ মন্ত্রিগী য়ুম থুগাইবদা চেন্নবা মীওই ৪১ ফারে হায়বা পাউ পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কোইরেংনা লূচিংবা অমসুং পাম্বৈনা লূচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী ৬০ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখিবগী পাউ ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।